## গল্ফতা পাইবদা চেকশিন্নবা খঙহনখ্রে

ৱাশিংটন, মে ১৮ (এজেন্সি) :

ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ফেদরেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়ু এস কম্মর্সেল এয়রলাইনরশিংদা গল্ফ অমসুং গল্ফ ওফ ওমানগী মথক্তা পাইবা মতমদা চেকশিন্নবা খঙহল্লদুনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নাকল্ল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎ-লকখিবগা লোয়ননা গল্ফতা য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লাকখিবনি।

## প্রোজেক্টাইলশিং কাপথখ্রে

কাইরো, মে ১৮ (এজেন্সি) :

মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা কাপ-শিল্লকখিবা প্রোজেক্টাইলশিং অমসুং দ্রোনশিং হমৈমিম এয়র বেজদা লৈরিবা সিরিয়ন এয়র দিফেন্সশিংনা লমখাংদা কাপথখ্রে হায়না সিরিয়ন ষ্টেট টি ভিগী পাউনা হায়রি। মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা এয়র বেজ অদুগা লোয়ননা লাতাকিয়াগা নক্কনা প্রোজেক্টাইল কয়া কাপশিল্লকখিবদা মীওই অমা শিখিবনি অমসুং অতৈ কয়ানা শোকখিবনি।

# য়ু এসনা কার্গো ভেসেল অমা ফাজিনখিবগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এনদা ৱাতেন্নবা তকশিনখ্রে



সিওল, মে ১৮ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী কার্গো জহাশিংগী মনুংদগী অমা 'ইলিগেল' ওইবা মরমদা ফাজিনখিবগী ৱাথোক অসিদা ৱাতেন্বীনবা প্যোংয়াংনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুতরেস হায়জখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এনদা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী মীহুৎ কিম সোংনা সেক্রেটরি-জেনরেলদা লেট্টর অমা ইদুনা য়ু এসনা লোগী মায়োক্তা ওইবা ফজদবা থৌওংদা নোর্থ কোরিয়াগী কার্গো ভেসেলশিংগী মনুংদগী অমা ফাজিনখিবগী মতাংদা ৱাকৎপগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা থুনা ৱাতেন্বীনবা হায়জখিবনি।

য়ু এসনা ৱাইজ ওনেষ্ট হায়না মীংথোনবা ফাইটর অদুবু ফাজিনখিবদু লোগী মায়োক্তা ওইবা, য়াম্না ফজদবা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি মসিনা য়ু এস অসি তশেংনমক গেংষ্টর লৈবাক অমনি হায়বা উৎলে হায়না প্যোংয়াংনা ফোঙদোকখি।

য়ু এস জটিষ্ট দিপার্টমেন্টনা মে ৯ দা ফোঙদোকখিবদা, অমেরিকান ওথোরিটিশিংনা অথিংবশিং থুগায়বা জহাজশিং ফাবগী অহানবা খোঙথাং ওইনা কোল অমসুং মেছিনরি পুরক্সনি হায়না চিংনবা টন ১৭,০৬১ গী ভেসেল অদু ফাখিবনি।

হন্দক্তা দি পি আর কেগী কার্গো সিপ অমা সামোৱাদা পুশিন্দুনা অমেরিকন দোমেষ্টিক লো খোঙ্গাওনবগী মরালদা য়ুম্ফম ওইরগা লোনা য়াদবা য়াম্না ফজদবা থৌওং চথখ্রে। ভেসেল অমবু অসুম্না ফজদবা মওংদা নমদুনা ফাজিনখিবা অসিনা য়ু এস অসি ইন্টরনেসনল লোশিংগী মরমদা করিসু থৌশাদবা গেংষ্টর লৈবাক অমনি হায়বসি তাকচরে হায়না কিম সোংনা য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল গুতরেসতা ইবা লেট্টর অদুদা পনখি।

য়ু এসকী থৌওং অদুনা ইন্টরনেসনল লোশিং খোঙ্গাওনবতা নত্তনা দি পি আর কেগী সোভরেন্টি অতাক-অফোংননা শীংনদুনা য়ু এন চাট্টরবুসু থৌওইদ্রে হায়না সোংনা মখা তাখি।

কার্গো ভেসেল ফাজিনখিবা থৌদোক অদুনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রামগী মতাংদা ৱাশিংটন অমসুং প্যোংয়াংগী মরক্তা ৱারী মখা চথবা য়াদনা লৈরকখিবদু অমুক্কা হেন্না ফিভম লুশিলহনখি।

প্যোংয়াংনা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম থাদোকপা অমসুং ৱাশিংটন্না নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোকপগী মতাংদা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ভেয়েটনামগী কেপিটেল হানোইদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী মরক্তা চথখিবা অনীশুবা সম্মিট য়ানবা পুরক্তনা লোইশিনখিবনি।

# য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা সাউথ কোরিয়াদা মিসাইল য়োনবগী অয়াবা পীখ্রে



সিওল, মে ১৮ (এজেন্সি):

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা নৌনা টেন্সন লাক্লিঙৈ চৈরক্তা সাউথ কোরিয়াদা দোলর মিলিয়ন ৩১৪গী ওইগদবা এয়র দিফেন্স মিসাইলশিং য়োনবগী অয়াবা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা পীরে হায়না পেন্টাগোলনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এসিয়াগী মরু ওইবা মীচং অমা ওইরিবা সাউথ কোরিয়ানা নোংথক্তগী কিহল্লকপশিংগী মায়োক্তা জহাজশিংনা শীজিন্নবা এস এম-২ মিসাইল ৯৪ ফাওবা গাইদেন্স সিষ্টেমস ১২ অমদি টেক্নিকেল এসিষ্টেন্সকা লোয়ননা লৈনিংবগী অপাম্বা য়ু এসতা ফোঙদোকখ্রবনি।

মিসাইলশিং অমসুং গাইদেন্স সিষ্টেমশিং লোয়ননা টেক্নিকেল এসিষ্টেন্সকী অপুনবা শেনফম দোলর মিলিয়ন ৩১৩.৯ ওইগনি হায়না য়ু এস দিফেন্স সিক্যুরিটি কোওপরেসন এজেন্সি (দি এস সী এ) মসিগী ৱেফসাইটতা ফোঙদোকখি। দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সকী য়ুনিট অমা ওইরিবা এজেন্সি অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা সার্টিফিকেসন লোইশিন্দুনা কোংগ্রেসতা মিসাইলশিং অদু সাউথ কোরিয়াদা য়োনবগী মতাংদা খঙহনখি।

# য়ু এসনা মেক্সিকোগী জজ, হান্নগী গভর্নরগী মথক্তা দ্রগকা মরী লৈননা অথিংবশিং থমখ্রে



মিক্সিকো সিটি/ৱাশিংটন, মে ১৮ :

দ্রগ ট্রাফিকরশিংদগী শেল চাই হায়না মরাল শীরদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরাই নুমিত্তা মেক্সিকোগী জজ অমা অমসুং হান্নগী ষ্টেট গভর্নর অমগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমখ্রে।

গভর্নমেন্টনা চথরিবা করপসনগী থৌওংশিংনা মেক্সিকোগী দ্রগ গেংশিংবু মখোয়গী থবক থৌওংশিং পাকথোক-চাওথোকহনবা ঙমহনবতা নত্তনা অথিংবা লৈতনা ওপরেট তৌবা ঙমহল্লিবনি হায়নসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোঙদোকখ্রে।

দ্রগ ট্রাফিক্কিংদা চেন্নবা অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা জালিস্কো ন্যু জেনেরেসন কার্টেল (সী জে এন জি) অমসুং লোস কিনিস দ্রগ ট্রাফিকিং ওর্গনাইজেসনগা মরী লৈনবগীদমক য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা অতোপ্পা মীওই ৯ অমসুং গ্রুপ ১০ গী মথক্তসু অথিংবশিং থল্লে হায়না লাউথোকখি।

য়ু এস দ্রগ এনফোর্সমেন্ট এদমিনিষ্ট্রেসন (দি ঈ এ)গী মতুং ইন্না সী জে এন জি অসি মেক্সিকোগী খ্বাইদগী চাওবা দ্রগ গেংশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং য়ু এসকী ষ্ট্রিটশিংদা দ্রগ খ্বাইদগী য়াম্না য়োনবদা অনীশুবদা লৈবা গেংনি।

ইসিদো অভেলার গুত্যারেজ হায়রিবা মেজিষ্ট্রেট জজ অসিনা দ্রগ ট্রাফিক্কিং ওর্গনাইজেসনশিংদগী শেল চাওনা চাদুনা মখোয়গী সিনিয়র মেম্বরশিংগীদমক্তা ওর্দর কয়া পীখি হায়না ট্রেজরিনা ফোঙদোকখি।

মেক্সিকান ষ্টেট নায়ারিটকী হান্নগী গভর্নর রোবর্টো সন্দোভাল কাষ্টানেদাবুনা শেল চাবা অমসুং ষ্টেট ফন্দশিং লান্না শীজিন্নবগী মরালশিং য়াওনা করপসনগী থবক কয়া তৌখি হায়না মরাল শিখি।

অথিংবা থল্লবা মীওইশিং অসি য়ু এস ফাইনান্সিএল সিষ্টেমগা তৎনরগনি অমসুং মেক্সিকোদা চথরিবা মখোয়গী থবকশিংদসু অয়েৎ-অপন কয়া লাক্লগনি হায়না য়ু এস অন্দর সেক্রেটরি ফোর টেরেরিজম এন্দ ফাইনান্সিএল ইন্টলিজেন্স মন্দেকরনা ফোঙদোকখি।

# সাউদি ওইল ইন্সটোলেসনশিংদা চথখিবা হৌথি দ্রোন এটেক্টকা মরী লৈনবগী ৱাফম ইরান্না য়াখিদ্রে

দুবাই, মে ১৮ (এজেন্সি) :



য়েমেনগী ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথি মিলিস্যানা ক্লেম তৌখিবা সাউদি ওইল ইন্সটোলেসনশিংদা চথখিবা এটেক্ট টেহরাননা ওর্দর তৌখিবনি হায়বা সাউদি অরাবিয়াগী ৱাফম ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইরান অমসুং মসিগী অচৌবা য়েক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা য়ু এসকী মীচং ওইরিবা রিয়াদনা ইরানবু মরাল শীবা ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকখিবনি।

চহী মরিরোম চুপ্পা সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন অমগা লান শোক্ল রকখিবা হৌথিশিংনা হায়, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মখোয়না ইষ্ট-ৱেষ্ট পাইপলাইনদা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং চথদুনা মৈ চাকহনখ্রে।

অমরোমদা, রিয়াদনদি দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুনা মরম ওইদুনা পোখোক পুথোকপা নৎত্রগা মপান্দা থাদোকপগী থবকশিংদা অকায়বা অমত্তা পীখিবা লৈতে হায়খি। য়েমেনগী লান নুমিৎ ১,৫০০ হেল্লক্লবা ফাওবদা লান অসিগী মরমদা মুন্না খঙদবা মীওই কয়া লৈরি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অবাস মৌসাভিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা ইখি। সাউদি মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফোরেন এফ্যেরস অদেল অল-জুব্যেরনা শগোলশেল নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী পাউখুম ওইনা মৌসাভিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ৱারোল অসি ইখিবনি।

সাউদি মিনিষ্টর অদুনা ত্বিটরদা ইখিবা ৱারোলদি হৌথিশিং অসি ইরানগী রেভোল্যুস্নরি গার্দ কোরগা থানবা য়াদে অমসুং মতম পুম্বদা আই আর জি সীগী ওর্দরশিংগী মতুং ইন্না থবক তৌই। হায়বসি হৌথিশিংনা কিংদম অদুদা লৈরিবা ফেসিলিটি কয়াদা টার্গেট তৌখিবা অসিনা কনফার্ম তৌরে হায়বসিনি। সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না সানাদা শগোলশেল নুমিত্তা এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথখিববুসু মৌসাবিনা কন্দেম তৌখ্রে। মহাক্লা ইন্টরনেসনল অমসুং হ্যুমেন রাইটস বোদিশিংদা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবা মখোয়গী থৌদাং খঙনা থবক তৌনবসু তকশিনখ্রে হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এনা ফোঙদোক্লি। হৌথি গ্রুপনা ইরানদগী খুৎশু-খুৎলায়শিং ফংই নৎত্রগা মখোয়বু টেহরানগী হং লাইনি হায়বা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোক-খিবগা লোয়ননা ইরান্নসু হৌথিশিংদা শেল-থুম অমদি মিলিটরিগী মতেং পী হায়বা ৱাফম য়াখিদ্রবনি।

## এক্স-সী আই এ ওফিসর জেলগী চৈরাক পীখ্রে

ৱাশিংটন, মে ১৮ (এজেন্সি) : দোলর ২৫,০০০ ফংনবগীদমক চাইনাদা মিলিটরিগী অরোন-অথুপ কয়া তাকথোক্লম্বগীদমক্তা হান্নগী সী আই এ ওফিসর অমা চহী ২০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা চাইনানা হান্নগী অমেরিকান ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিংবু রিক্রুট তৌনবা হোৎনরম্বগী কেসশিংগী মনুংদা অমগী ৱারোইশিন লাকখ্রে। সর্ভিলেন্স ভিদিও অমদা য়ুম্ফম ওইরগা ভির্জিনিয়াগী কোর্ট অমনা মীওই অদু চৈরাক পীখিবনি।

/ খোঙ, খুৎ শজিং তোয়না হৌরগা ইপঙ পঙশিনবা, পূক্তা গেষ্ট্রিক কাবা, পূক চপ তিংখৎপা, খূকউ অসি হৌগৎপদা নাবা, শিংলি-নাউরি শোন্থবা, নাকোংদা ঙংবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, তাং-তাং চিকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা গেষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা ইপঙতা পঙশিনবগুম তৌবা, পূক্তা গেষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবা, পূক চপ তিংখৎপা, মরক-মরক্তা পূক্তা য়েকপা থিনবা তৌবা, চাবা থকপা য়াদবা, চাবা তুমদবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা চারগা গেষ্ট্রিক কাবা হেনবা, শায়েং অনীমক চিকপা নাবা, ঙকশম মরী নাবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি কোক ঙাওবা, হকচাংগী মফম খূদিংদা চেল্ল-চেল্লগা চিকপা, মরক-মরক্তা থবাক অসি ফুনগৎলগা শ্বর হোনবা ৱারকপা, ফল্লগা হৌগৎলকপা মতমদা খূকউ অনীদা খোঙ নাবা শিথরক্কে তৌরকপা, নাকোং ঙংবা অমদি নাকোংদা কাং-কাং লাউরগা লৈবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, শিংলি-নাউরি শোনবা, কপ্লাক মরী নাবা, কাময়া অনীমক চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা, তাং-তাং চিকপা নাবা, মশলশিং অসি শেৎ-শেৎ চিংখায়রগা নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাল্লগনা হামেং মথিগুম্না মরু-মরু খজিক্তা হাম্বা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাং অৱাবা অমা ওইবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ*

1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat. (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal Konchak Bazar. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Y. ROMANANDA SINGH,** Langthabal.

HL-P/6194/19

/ ফেসতুলা মনুংদগী নাই মচুম তোয়না তারকপা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ পেচগারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোং অকোয়বদা চনপ-চনপ লাওরগা ফি শেৎপা য়াদবা য়াম্না নাবা ফহনবগীদমক ওজা **MV. Kayamuddin** বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা মতমদা চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, হকচাংদা ওনিং-ওনিং তৌরগা লৈবা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, ফেসতুলা মনুংদগী নাই মচুম তোয়না তারকপা, ঈ অমাংমদা তৈরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ পেচগারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোং অকোয়বদা চনপ-চনপ লাওরগা ফি শেৎপা য়াদবা য়াম্না নাবা, নাকল অমা চোন্থরকপা অদুনা ফম্বদা য়াম্না নাবা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পীক্লা মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, মরম অদুনা চিকপা-নাবা, অমাংথোং অকোয়বদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা তৌরম্বা অদু **MV. Kayamuddin Phundreimayum ☎ 8575814720 / 8837496469/8413870027** দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরম্বদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা MV. Kayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm. 3. Tiddim Road CCpur Old Bazar, Police Station Opp. 7:00 a.m. to 4:00 p.m.

*থাগৎচরিবা :* **Khangembam Dhanabir Singh** Meino Leirak

HL-P/6164/19

/ পাইলসকী ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



*অমাংথোং ময়াদা মতুম ওইনা পোন্বা অমসুং এনাস মনুংদা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা ঈ খজিক্তং দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, অমাংথোং মনুংদা চিকপা শাবা, পূক কংখৎপা, গেষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, পূক শাবা, শা-ঙা চারগা নোংমা-নীনি খোঙ হাম্বা য়াদবা*

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা নাদুনা অমাংথোং ময়াদা পোন্বা অমসুং এনাস মনুংদা হাক্কৎচবা নুংশঙ কক্লাই, চেকখায়বা, খোঙ হাম্বদা মতম শাংনা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা অদুগী মতুংদা য়াম্না শাবা খোঙ হেক হাল্লরবগী মতুংদা চিকপা নাবা, গেষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, পূক কংখৎপা মরমদগী য়াঙ মরী নুংঙাইতবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নুংঙাইতবা, হকচাং চোকথবা, পৎথবা তৌরম্বা অদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম ☎** 9856797338, 7085494783 দা চত্তুনা লায়েংজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা লায়নাশিং য়াম্না নুংঙাইরে, ফরে। ওজা কবিরাজবু হন্না-হন্না পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* **IMOCHA,** Sugunu

HL-P/6155/19

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY

in aid of Annual fund Drive Org.by.UVSA Regd.265/SR/IW/2003

Ticket Rate Rs.1000/-

Date | Time : 19th May 2019 (5 p.m)

HOUSEFULL 4 LAKHS

Quick 5 Rs.3000/-
STAR Rs.3000/-
1st Line Rs.3000/-
2nd Line Rs.3000/-
3rd Line Rs.3000/-

MINI BUMPER

Ticket Rate Rs.300/-



1st Housefull Activa 5g

2nd Housefull Activa 5g

VENUE: MOIRANGKHOM BOKUL MAKHONG

MINI DRAW Ticket Rate Rs. 150/- Housefull- Rs. 30,000/-

HL-P/4282/19

/ লৌ য়োঙ্ঙরি

ককচীং লমখাই লাইজিং লৌকোলদা অথুবগী ওইনা Point 191 চাওবা লৌফম অমা য়োঙ্ঙরি।

Contact : 9862594703

HL-P/4157/19,2

ENLIGHTEN KNOWLEDGE (E.K.) HR. SEC. SCHOOL

Sangakpham, Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN

(For Class XI-Science and Arts 2019-2010)

ADMISSION FORM ISSUE :- 20TH MAY, 2019

Facilities :

The student who had scored 80 P.C. in H.S.L.C. Examination 2019 (BOSEM) will be given free Admission fee both for boys and girls.

The Student who had scored 85 P.C. and above in H.S.L.C. Examination 2019 (BOSEM) will be given free (Admission Fee, Tuition Fee and Hostel Fee) both for boys and girls.

HL-P/4279/19

ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE : 2ND BATCH FOR 2019 (Time 4:30 to 7:30 pm )

Class 3 to10 Starts on 22nd May, 19 ( 3 to 8 BOSEM & CBSE)

TOPPERS of 2018



VAN AVAILABLE
1. THOUBAL, LILONG, CANCHIPUR
2. OINAM, NAMBOL, MALOM
3. MAYANG - IMPHAL, SAMUROU
4. SEKMAI, MANTRIPUKHRI
5. MOIDANGPOK, KHUMBONG & PATSOI
6. PHEIDINGA, LAMSANG, LANGOL
7. GREATER IMPHAL AREA

Contact - 7628946313 9402897710 8732022342

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

STUDENTS OF NIRMALABAS, LITTLE FLOWER, HERITAGE, ST. JOSEPH, TINY TOTS, CATHOLIC SCHOOL, REGULAR, LEE FAITH, CHRIST JYOTI & OTHERS.

LIMITED SEAT

Last Date of Form Submission 16th May.

HL-B/5356/26/4-24/6